**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-11-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী সোংলুং ভিলেজ, লাংখোল অমসুং ৱাফোং ভিলেজ অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা একর ৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। অহাংবা কারটিজেস ৮, হার বেগ অহুম, পোপী মরুসু মফম অদুদা শারম্বা মৈ চাকখ্রবা খাঙপোক অহুমগী মনাক্তগী ফাগৎপা ঙমখি।

মোটোর ভেহিকল এক্ট থুগায়বা কাংবুশিংগী মথক্তা চত্থবা দ্রাইবতা ঙরাং আইন কায়বা মওংদা থৌবা গাড়ি ২৫ গী চলান কক্তুনা লুপা লিশিং ৫৭,৫০০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

**দেঙ্গি(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং মীওই ৩১ নৌনা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি। পুন্না সেম্পল ৩১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩১ অসি পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

সেম্পল পুমমক জেনিমস হোস্পিতালদা টেষ্ট তৌখিবনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** লম লান্না পাইরকপা উচেক অমা ওইরিবা অমুর ফালকোন, ঙাক শেনদুনা থমবা অমসুং য়োকখৎনবগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং তমেংলোং জিলাগী পুংলাম অমসুং গুৱানগ্রাম খুলদা পাঙথোকখ্রে।

থোরমদুদা ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং য়ুথ ক্লব মেম্বর ৩০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** মীয়ামদা আইনগী ওইবা তেংবাং নীংথিনা ফংহন্নবগী মতাংদা জাতি থাক্কী মীফম অমা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হাংদোকখ্রে। থৌরমদুদা শা মোদিনা নেসনেল লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিনা শেম্বা কম্যুনিতি মেদিয়েসন ত্রেন্নিং মোদ্যুল অমসু পুথোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সমাজিক অমদি শেল থুমগী ফিভমগী খেৎনবা থমদনা মীপুম খুদিংমক্তা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লবতদা সোসিএল জষ্টিস পুরকপা ঙমগনি। মহাকা হায়-মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক আইনগী ওইবা তেংবাং ফংহনবা হায়বসিসু য়ামমক মরুওই। শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা সরকারনা মীয়ামদা অচুম্বা বিচার ফংহন্নবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে।

আইনগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা চে-চাংশিং লমদম লমদমগী ওইবা লোলশিংদা ফংহনবগী তঙাইফদবসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি দেহরাদুনদা চৎতুনা উত্তরাখন্দ রাজ্য শেমখিবগী চহি ২৫ মপুং ফারকপগী সিলভর জ্বল্লি পালন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

থৌরমদুদা মহাকা কোমেমোরেটিব পোস্তেল স্তাম্প অমসু পুথোক্কনি অমদি মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৮ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংসু হৌদোক্কনি।

**নিরমলাঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা টেকিকেল, ভোকেস্নেল এদুকেসন অমসুং ত্রেন্নিংদা য়ুম্ফম ওইবা অসামগী ইহান হানবা য়ুনিভরসিতি অমা শানবা ঙরাং বিশ্বনাথ জিলাগী ভোলাগুরিদা যাত্রা হুনখ্রে।

স্বাহিত কনকলাতা বারুৱা ষ্টেট য়ুনিভরসিতি হায়না মিংথোনবা য়ুনিভরসিতি অসিদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং মেছিন লারনিং, সাইভর

সেক্যুরিতি, ব্লোক চেন, দ্রোন অমসুং নেভিগেসন টেকোলোজি, ক্বাটন কম্প্যুটিং, ব্রেন কম্প্যুটর ইন্টরফেস, ইন্টরনেট ওফ থিঙ্কস, স্মার্ট সিটি অমসুং স্মার্ট ইনভাইরোনমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেকোলোজিগী লমদা কোর্সশিং হাংদোক্কনি।

লম একর ২৪১ দা শাগদবা য়ুনিভরসিতি অসিদা মহৈরোই লিশিং অনিরোমগী একাডমীক ব্লোক অমসুং মহৈরোই লিশিং ১,৬২০ গী হোষ্টেলশিং লৈগনি।

থৌরমদুদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মসু য়াখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা দিফেন্স পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং ১৬ কী চহিগী ওইবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনগনি।

থৌরমদুদা হৌখিবা চহি তরাদা পাঙথোকখিবা রিছার্স অমসুং দিবলপমেন্টকী প্রোজেক্টশিং অমদি লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং য়াওবা চেরোল অমসু পুথোক্কনি। হিন্দুস্তান এরোনোটিক্স লিমিটেদকী অনৌবা রিছার্স অমসুং দিবলপমেন্টকী মেন্যুয়েল অমসু পুথোক্কনি।

থৌরমদুদা শ্রী রাজনাথনা স্বায়ম হায়না মিংথোনবা রিন্যুয়েবল ইনর্জিগী রিপোর্ট অমসু পুথোক্কনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোস্বা ঙসি লোয়শিল্লগনি।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ভোট থাদনগনি। এন.দি.এ, মহাগত-বন্ধন অমদি অতৈ দলশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক মাখলগী রেল্লি অমদি মীয়ামগী মীতিন পাঙথোক্তুনা অকনবা মওংদা ভোট খোল্লি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা

ঙরাং বেতিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা রাস্ত্রিয়া জনতা দল অমদি কংগ্রেসনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎলে হায়না মরাল শিখি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসননা সরাই রঞ্জন বিধান সভা কেন্দ্রগী এসিস্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসারবু মথৌ নীংথিনা তৌদবগীদমক সসপেন্দ তৌখ্রে। ই.ভি.এমদগী ভি.ভি.পেথ স্লিপ খরা মপানদা চাইথোরকপগা মরী লৈনবা ভিদিও অমা সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল চৎলকপদা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ.আই.আর. অমা রেজিস্তার তৌদুনা মখা তানা থিজিন্নবা হুকুম থোকখ্রে।

**সংসদঃ** পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-সংসদকী নীংথম মীফম দিসেম্বর অমদগী ১৯ ফাওবা চত্থরগনি। মসিগী মতাংদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী রিজিজ্না হায়-মীফম অসি কান্নবা অমসুং আর্থ লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বশিং থুংহনবা ঙমগনি।

**রাধাকৃষ্টনঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি করনাতকতা চৎকনি। উপ রাস্ত্রপতিনা হাসনদা স্প্রিচুয়েল লিদর-অচ্যারিয়া শান্তি সাগর মহারাজগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

মহাকা মহারাজ অসিগী মুর্ত্তি খিনবগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি। শ্রী রাধাকৃষ্ণননা মৈশুরুদা জে.এস.এস. একাডমী ওফ হয়ার এদুকেসন এন্দ রিছার্সকী ১৬ শুবা কনভোকেসন থৌরমদসু য়াওগনি।

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেটচ মঙাগী টোইন্তি টোইন্তি ক্রিকেট সেরিজগী অরোইবা অমদি মঙাশুবা মেটচ ঙরাং নোংনা মরম ওইদুনা মপুং ফানা

শান্নবা য়াদবদগী ভারতনা সেরিজ অসি ২-১ দা থোইরে।

নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা অসি লেপত্রিঙৈ মমাংদা ভারতনা ক্রিকেট অমত্তা তুদনা রন-৫২ লৌখি। অভিসেখনা প্লেয়ার ওফ দা সেরিজ ওইরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্টর অমসুং কুকি সু গ্রুপকী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা, মনিটেক্স ২০২৫ হৌদোকখিবা অমসুং বি.জে.পিগী থৌপ পুবশিংগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়বগী পাউশিংনা ঙসিগী পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

কুকি লালহৌবশিংগা সেন্টরগা ৱারী শান্নখ্রে, অনৌবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি শেম্বদা সেন্টরনা শৌগৎতে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ.কে. মিশ্রানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী হেদলাইন তৌরি। বি.এল. সন্তোস থা অসিগী ১২ দা মনিপুর লাক্কদৌরি, ঙসি বি.জে.পিগী থৌ পুবশিংগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নিলাকুতিদা মনিটেক্স ২০২৫ হৌখ্রে, মেক ইন মনিপুর মায় পাকহনসি হায়না গভনর-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লবসু সরকারনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকবা শেম শারি হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জেট.য়ু.এফনা পোপী থাবগী লৌশঙশিং মৈ থাদোক্লম্লবা মতুংদা সেক্যুরিতিনা পোপী পান্থীশিং য়াস্থৎলুরে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম দিসেম্বর অমদগী

হৌরগনি হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। নেসনেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল কম ষ্টেট লেবেল ত্রাইবেল কারনিবেল-২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়না এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সুদা লৈবা কুকি খুৎলায় পায়বশিংগা সেন্টরগা ৱারী শান্নখ্রে, কুকি জোগী অনৌবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি শেম্বদা সেন্টরনা শৌগৎতে খঙহল্লক্লে হায়না সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিংদা নোংমদা লুপা ৮৪ পীরিবা অসি লুপা ১০০ দা হেনগৎপীয়ু হায়না লুপশিংগী মায়কৈদগী আপিল তৌরকপগী পাউ অমা পোক ফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) গা লন্বী শেমদ্রবদি মীয়ামনা হৌরকপা ইহৌগী তেকচাক লৈঙাকা পুগদবনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গিগী কেস ৩১ থেংনদুনা পুন্না মীওই লিশিং ৪,৫৫২ পোজিটিব ওইরে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি